
# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৯২

ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম



***অপীকপা*** নোংলিক কয়ানা অচৌবা ঈপাক, সমুদ্র শেমখিবনি হায়বসি ককপা য়াদ্রবা চুল্লবা ৱাফম অমনি। মণিপুরদা ঙসি ফাওবা চথুরকখিবা থবক-থৌরমশিং মীয়াম্না ফোঙনা খঙনখ্রে। লৈবাক অসি অনৌবা অহোংবা, অওনবা পুরক্কনি লাউরম্বা, মীয়াম্বু থাজহল্লম্বা, মীয়াম্বু নমথাক তৌরবা পোলিটিকেল পার্টি কয়া মমাঙথক্তা ময়েক শেংনা খঙনখ্রে। মীচম মীয়াম্বু থাজহল্লবা পোলিটিকেল পার্টি কয়া নুংশা মঙান্দা লেন্না তুম্বগুম পূন্নমক তুম্না মাঙখ্রে। মসি পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা ফোঙনা খঙনখ্রে। ইন্দিয়াগী মনুংদা পোলিটিক্সকী লমদা থাজ থাজদ্রবা ৱাথোক কয়াসু মমাঙথক্তা থোকখ্রবা কয়ানি। মণিপুরবু অনৌবা অওনবা মীয়ামগী লৈঙাক পুরক্কনি লাউরম্বা মতম মতমগী য়াওলদা লাউরম্বা, পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক উৎ ওনখ্রে।

হন্দক্কী ২১ শুবা চহী অসিদা থাজদ্রবা কয়া মঙলানগুম থোক্লরে। ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিগী লৈঙাক্তা মওল মওল মথং মথং অমগী মথংদা অমা থাজদ্রবা কয়া উহল্লরে। মমাঙথক্কী মীখলদা চাউনা মায় পাকখিবা কোংগ্রেস সিট ৬০ গী মনুংদা ২৮ খক কাদুনা লৈঙাক পায়বা ঙমখিদবসিমক অনৌবা পাড়া অমনি। ২৮ দগী ২১ না চাউবা হেনখিবা মীয়াম্না ঙক্তবা ঙমদে। অদুবু মানা মানা লংজরুবা মরাল লৈবনরা ২৮ দগী ২১ না ফজরবা শক্তম অমা লৈবাক খঙনা থবক ওইনা মিৎমাংদা উহনবসিমক দেমোক্রেসিগী মশক্তা অওনবা অহোংবা অমা উহনখ্রে। খ্বাইদগী ঙক্লিবদি ২৮ গী মনুংদা থৌনা ফনা অকি অখঙ য়াওদনা চোঙথোরক্তুনা অনৌবা পাড়া অমা উহনখিবসিসু অঙকপগী মনুংদা হেন্না ঙকহনবা থৌদোক অমনি। ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন, আইনগী চৎন-কাঙলোন পূন্নমক মফম কদাইদা লৈখ্রে। মসিমক মণিপুরগুম্বা অখঙ অহৈ লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈরবা মীওই কয়া লৈরিবা লমদমসিদা মথং মথং থাজ থাজদ্রবা কয়া ফোঙনা চোঙথোরক্লি। মসিগী মথক্তা থাজ থাজদ্রবা কয়ানা লৈঙাক্কী চুপলি পায়নরকপা মসিদগী হেন্না অঙকপা মমাঙথক্তা থোকখিদ্রি। মতুংদদি মখল মখাগী থৌদোক থোরকপা হায়বসি থোইনা ঙক্লিঙাই লৈরোই। ঙসিমক লৈঙাক অমা ফজনা মীয়ামগী মমাঙদা লৈররে। পোলিটিক্সতা ওইথোক্তবা য়াদবা লৈতে হায়বসি ফোঙনা খঙনরে। অনৌবা অহোংবা অওনবা পূন্নমক্কী মথক্তা ২৮ দগী চোঙথোরকপা অন্দ্রো কেন্দ্রগী থৌনা ফরবা অচুম্বগীদমক শিবা কিদবা মরিল লৈবা শ্যামকুমার থাগৎতবা ঙমদে।

ঙসিগী মীয়াম্না শ্যামকুমারবু থাগৎনরি, ফোঙনা মীয়ামগী থবক তৌরক্লি। পোলিটিক্স হায়বসি নম্বর গেমনি। নম্বর গেমসিদা ৪ কাবা এন পি পি, ৪ কাবা এন পি এফ লৈঙাক্কী অচৌবা রোল লৌরক্তুনা লৈঙাক্কী শক্তিদা তেংবাংখিবা ঙক্তবা ঙমদে। মসিগী মনুংদা ২১ কারম্বা বি জে পি ঙসিদি তরু তরুনা ২২ শুরকপা করিসু ঙকনিঙাই লৈতে। বি জে পিগী লৈঙাক ইন্দিয়াগী মনুংদা ফোঙনা মীয়ামগী থবক পায়খৎলকই। মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরকপদা মীয়ামগী মতেং ফংবা হায়বসিদি লৈবাক্তা খোঙনা চৎপগুম্বনি। মণিপুরদা তরু তরুবা বি জে পিগী লৈঙাক অমা লাকপা হায়বসি ফোঙনা শোয়দনা ওইরকখিগনি। ২১ দগী খঙহৌদনা ২৮ শুরকপা ঙকনিঙাই লৈতে। মসিগী মখা চথুরকপদা মপূং ফাবা মেজোরিটি শোয়দনা ওইরকখিনি। মতমদু ফাওবা খঙনা খঙনা ঙাইনখিবা তাবনি। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোন কদাই ফাওবা চৎনরিবগে হায়বসু য়েংবা তাবনি। মসিগী মনুংদা চায়াম পোকপা ইমুং অমগী ৱাথোক লৈতবসু নত্তে। ফোঙনা খঙনখ্রে। ফোঙনা তান্নখ্রে। নিঙাই তৌনরকপা করিসু ঙকনিঙাই ওইদে। থৌনা ফনা নিঙাই তৌরকপা লৈবাক মীয়াম্না পেনবা পেন্দবা লৈখিদবা নত্তে। নিঙাইগী মমল য়াংবা নেম্বা খঙনরক্কনি। বি জে পিগী নুং পানগী ৱাথোক ময়েক শেংলক্কনি। মণিপুর থুগাইবা পার্টি, মণিপুর কনবা পার্টি তরু-তরু শোয়দনা ময়েক শেংলক্কনি। অদুবু য়েংখিবা তাবনি। য়েংববু হৈরবদি কুম্মৈগী কুম্মৈ ঙাক্তনি। মসিগী মনুংদা বি জে পিগী নুং পানগী লাংলৌ মথং মথং লেপ্তুনা থোরকখিনি। কোংগ্রেসকী চহী ১৫ গী লৈঙাক মনুংদা ঈরাং মথং মথং থোকখিবদু মীয়াম্না নীংশিংদবা ঙল্লোই। পোলিটিকেল পার্টিগী মনুংদা পূন্না লৈঙাক পুমিন্নরবসু মন্ত্রি ওইদ্রবদি শক মায় য়েংনদবদগী মন্ত্রি ওইনীংবা ঙাক্তনি। পার্টি মনুং ওইজরবসু মন্ত্রি ফংদ্রবদি চোঙথোক-চোঙশিনগী ৱা লৈতবা নত্তে। মসি মনুংদা ওপোজিসন মায়কৈদা লৈবা হায়বসি কনানসু পাম্নদে। মন্ত্রি মন্দল মনুংদা য়াওহৌদবদগী কোংগ্রেস মনুংদা ঈরাং কয়া লৈখিবদু হন্দক্কী বি জে পিগী কোংগ্রেস অমসুং লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী মতমদা ওপোজিসন্দা লৈবা হায়বসিদি মমাংথক্কী কোংগ্রেসকী মতমদগী হেন্না নুংঙাইবা ময়েক শেংগনি।

মতাংসিদা কোংগ্রেস এম এল এশিং হেন্না হেন্না খন্থবা মতমনি। কোংগ্রেস মনুংদা হেন্না কোংগ্রেসপু নুংশিবা শাবশিং ময়েক শেংলকই। ওল্লক্লিবা মতমগী অওনবা, হোংলক্লিবা মতমগী য়াওল পুংলোনগী মতুং ইন্না জগোয় শাবা তাবনি। তাঞ্জা মেঞ্জা খঙহৌদ্রবদি দষা তাবা য়াওরোই হায়নীংঙাইসু লৈতে। মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা মন্ত্রি ওইরম্বা কয়ানা ওপোজিসন্দা লৈবা হায়বসি য়োংনা তিস্ত্রোক পাম্বগুম্বনি। লৈঙাক পায়বা পার্টিদা য়াওহৌবা হায়বসি ইরাক্লরবা মীশক্লা উপায় থিবগুম্বনি। হন্দকী মণিপুরগী বি জে পিগী লৈঙাক অসি মকোক্তগী অওনবা অহোংবনি। বি জে পিগী মপুং ফাবা লৈঙাক অমা হেক ফংবদা করিগুম্বা খরদি থোরকপা হায়বসি মশানা তাজবনি। ইলেক্সন মমাঙদা লাউরম্বা লোক্তাক শেংবগী ৱাথোক, তেম্মিগ্না হায়স্কুলগী মনুংদগী ফংবা মীকোকশিং, ঙসি ফাওবা হিংলিবরা শিগ্রবরা খঙদনা লৈরিবা মীচম ১,৫০০ রোমগী ৱাথোক, ফকাপ, হিংহাৎ কয়াগী কেস মথং মথং চোঙথোরকখিগনি। কেস অসিদা চেন্নবা মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমত্তা লেম্না থারোই হায়বগীদমক মরু ফাওবা লৈরমদবা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপা মণিপুর মীচম মীয়াম্না অওনবা, অচুম্বা, অহোংবা অমগীদমক বি জে পিদা লৈঙাক পায়হনবনি। মসিগী চপ চাবা থবক পায়খৎপীদ্রবদি মীয়ামগী মতেং করিসু মখা তানা ফংবা ঙল্লোই। মসিগী মথক্তা নুংথিল পোবোবতা মীয়াম মমাঙদা ফোঙনা হাৎপীখিবা রবিনা, সঞ্জিৎকী মীহাৎ মণিপুর মীয়াম্না কৈদৌনুংদা কাউবা য়ারোই। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী থবক থৌওং অসিনা কোংগ্রেসকী ২৮ কাজরবসু ২১ কাবা বি জে পিনা লৈঙাক পায়জবসি মাগী মাগী তৌজরুবা, তৌজরকপা ফলগী মহয়নি।

লৈবাক্কী মপি মপা ওইরগা ঐগী মীগী হায়বা, ঐগী মীয়াম, ঐগী ইরমদম হায়বা অপীকপা ৱাখল চেনবশিং মীওইবা ফুরুপসিনা কৈদৌনুংদা ঙাকপীবা ঙম্লোই। লৈবাক মীয়ামগীদমক কখোত্তুনা চোঙথোকপীরকপা তারবদি ‘ঐগী’ হায়বা ৱাফমসি তোপ্পা থন্বীরগা ‘ঐখোয়গী’ হায়বা মিৎয়েংরোমদা থবক পায়খৎপীরবদি ঐগীসু মীগীসু শরুক য়াওরবনি হায়বসি কাউথোকপীদবা ফৈ। মন্ত্রি ওইরিঙৈ, ফমজাও পায়রিঙৈ ওইজবা কয়া তানশিলহৌবা, মরী মতা, ইমুং মনুংগী শক মায় য়েংদুনা শেমগৎহৌবা হায়বা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী শাজৎ থাদোকপীয়ু, মীওইবা ওমর নত্তে। শিরগা ফাওবা মরুনা য়ুবা হায়বা মীতৈগী কক্লাইদ্রবা, মুৎনাইদ্রবা ৱারী কাউনদবা ফৈ।

কোংগ্রেস মনুংদা লৈখিদ্রবা গান্ধীবু কাউনদবগুম নেতা ইরাবত নীংশিংনবগুম নীংশিংবা হায়বসি মীওই মরক্তা পোকচমলগী মহয়নি। ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীচৎতগী শেলনা হেন্না লুম্না লৌনবসি থাদোক্লরগা তুংগী পুন্সিবু লুম্না লৌনদবসি থাদোক্লবনা হিংজমলগী, পোকচমলগী মহয়নি হায়বসি নীংশিংনসি। মীওইবা ওমর নত্তে। ওমর খুভমগীদমক মিংচৎকী উরোং থন্বীরম্মু। তুংগী চারোল শুরোলশিংনা কাউনদনবা শিনবীরম্মু। মসিগী মখা তারকপদা ভোট কাদ্রবা মতমদা কনাগুম্বগী দেব-বর্ম্ম থৌদোক ৱাথোক্তা ফিদা ফাওবা থানীংদবা, মীয়াম তিনবা মফমদা থুংলবদা কনা অমত্তনা থৌশাবীদবদু অয়েংবশিংনা, অউবশিংনা ইকায়জে। মীওইবগী পুন্সি ওমর নত্তে। মণিপুরগী মনুংদা অচৌ অচৌবা ওফিসার মন্ত্রি মন্দল, চীফ মিনিষ্টর কয়া চৎখ্রে। ঙসি ফাওবা নীংশিংনিংঙাই ওইবা অমত্তা য়াওখিদ্রি অদুবু ঙসিগী মীরোলসিনা নেতা ইরাবতপু সেপ্টেম্বর থা য়ৌরকপদা নীংশিংনরিবসি করিগীনো? নেতা ইরাবত মণিপুরগী মশক নাইবা ফমথোল পায়রম্বা মীশক অমসু ওইখিদে। অদুবু ঙসিগী মীরোলসিনা পাল্লিবসি করিনো খন্থবা মতমনি। হেন্না লুনা খন্থবীদুনা মণিপুরগী মীয়াম্না পাম্নরিবা আই এল পিগী ৱাথোক শান্তি ওইনা মীয়ামগী অপান্বা থবক ওইনা পায়খৎপীরম্মু, মীংচৎকী উরোং খিনবীরম্মু। শিবা নাইবা মীওইবনি, মিংচৎকী উরোংনা মুৎনাইদবা মফম অমা কনবীরম্মু। অপূনবগী জয়, অপূনবগী খোল্লাউনা পূন্নমক্কী মঙ্গলনি। ঐখোয় পুল্লসি, ঐখোয় পুল্লবদা কনানসু মায়থীবা পীবা খক ঙম্লোই।

---

# মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (নিংথেম ময়াম্বা / পামহৈবা)

- খুন্দোংবম কুমার সিংহ -

***চহী*** কয়াগী মমাঙদগী পুৱারীগা শাগোন্নবা লীলা (শুমাং কুম্মৈ), দ্রামা কয়া শান্নদুনা লাকখি। লোয়না লোয়ননা খোংজোম পর্ব্বনচিংবা কয়াসু শক্তুনা লাকখি। ঐহাকসু খরা খরা য়েংখি-তাখি। কুমজা, তারিখকাদি নীংশিংবা থোক্ত্রে। মতমদুদা অইবা ইশামক য়ানীংদবা হায়গদ্রা, চিংনবা হায়গদ্রা ঐহাক্কী থম্মোয়নুংদা কয়ারক হন্না হংদুনা লাকখিবনি। হায়রিবশিংসিগী মনুংদা অচুম্বসু মালহনবা চয়েৎনবা পুৱারী ৱারীগী তাঙ্কক্তি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (নিংথেম ময়াম্বা/পামহৈবা) গী পোকপগী মতাংদনি।

ইনিংথৌ পামহৈবা/গরিবনিৱাজ কুমজা ১৬৯০, পোইনুগী ২২ নি পানবা থাংজ নুমিৎতা পোকখি অদুগা মপাইবুংঙো তুবী চরাইরোংবনা কুমজা ১৬৯৭ কী লমতাগী ১০ নি পানবা ইরাই নুমিৎতা মশাগী চহী ২৫ শুরকপদা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি হায়বসি লাইরিক অয়াম্বা (চৈথারোল কুম্বাবনচিংবা) দা মান্নরি।

চরাইরোংবা কুমজা ১৭০৯, ইঙেনগী ৭ নি পানবা নুমিৎতা মশাগী চহী ৩৭ শুরকপদা নোঙ্গাখি। মহাক্না পাল্লম্বসি চহী ১২ খক্তনি। অদুগা শুমাং কুম্মৈ (লীলা), দ্রামা, খোংজোম পর্ব্বনচিংবনা হায়রিবনা ‘চরাইরোংবনা নিংথৌ হেক ওইবগা কোনুংগী মাইচৌশিংনা মহাকপু ‘মরাম হাওখুল’ অমদা মপা-মপু অমগী লুরেল (কোক) লৌবা চৎহল্লি অদুদগী মরাম খুনগী নুংথিল চাইবী শকখঙনদুনা কোনুংদা লৈমরেন্বী ওইহনগে পুরকখিবনি। মতমদুদা মাইচৌশিংগা য়েৎন-খোৎনা লৈখিবদগী মৈদিংঙুনা শংলেন অমা শাবিদুনা নুংথিল চাইবী লৈহনখি। মতমদুদা নোংচুপলোমদগী লাকপা গোসাই হায়গদ্রা ব্রাহ্মন হায়গদ্রা অমনা নুংথিল চাইবীগী শঙলেন্দা লৈশিল্লি অদুদগী মুকাক্লে মরু হুনখি হায়বদি শেংদবা ঈনা মীতমখি হায়বনি। অদুগা অতোপ্পা অমনা নুংথিল চাইবীগী শঙলেন্দা য়ারেকখিবা গোসাইদু শান্তিদাসনি হায়বা ‘পুয়া মৈ থাবা’ লাইরিক অমদা ইশামক থেংনখি। বামোন খুন্থোকলোন অমদি চৈথারোল কুম্বাবগী মতুং ইন্না শান্তিদাস গোসাইদি চরাইরোংবগী মতমদা লাকখিদে। মহাক্তি মৈদিংঙুসিগী মচানুপা গরিবনিৱাজ (পামহৈবা) মতমদা কুমজা ১৭১৬, ফাইরেনগী ১৬ নি পানবা নুমিত্তা লংথবালদা থুংখি হায়না ময়েক শেংনা ইরি। সরাংথেম বরমনিগী নিংথৌরোন/কুম্বাবা)। অদুগীসু মথক্তা গরিবনিৱাজ (নিংথেম ময়াম্বা) দি মপাইবুংঙো চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈদা পোকখ্রবনি (মথক্তা পঞ্জখ্রে) অদুগা নুংথিল চাইবীসু লৈমরেন্বী ওইবদি লায়রদুনা কুমজা ১৬৯৬ কী ২৭ নি পানবা ইরাই নুমিৎতা লৈখিদ্রবনি। মৈদুংঙু তুবী চরাইরোংবনা পাল্লম্বসি শুনগী চহী ১২ খক্তনি। অদুগা চরাইরোংবনা হেক লৈখিদবগা ইকান কান্নদনা মচানুপা গরিবনিৱাজনা মশাগী চহী ২০ চঙলকপদা নিংথৌ ফম্বাল কাখিবনি। অদুনদি চহী ১২ খক পাল্লম্বা চরাইরোংবনা চহী ২০ শুবা মচানুপা (পামহৈবা) কমদৌনা পোক্কনি। মরমদি মহাক্না (চরাইরোংবনা) নিংথৌ ওইবা মতমদা মরু হুনখি হায়রিবনিনা।

অসিগুম্বা তাইওন্নবা শেমদোক শেমজিন তৌবা ৱারীনা য়ূম্ফম ওইবা অসিনা পুৱারীদা য়াম্না চাউনা মীনমদুনা লংজবা অফবা ওইগদবা মান্দে হায়বসি অইবা ঐহাক্কী থাজবনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা মীয়াম্না পন্নরিবা শান্তিদাস গোসাইসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মচানুপী অমা মমিংনা চম্পকলাতা কৌবী (হীদাকশুংবীনা পোকপী ঙৌব্রামসাইগীদি মচে) অমগা লোয়ননা অওং অউন তমদুনা লৌন-লৈনখি। অদুদগী চমপকলাতা ইবেম্মসি সিজগুরু ওংবী হায়নসু খঙনখি (চৈথারোল কুম্বাবা)। লাইবক থিবদগী শান্তিদাস মহন্ত অৱা (ম্যান্মার) গী লাল্লুম লানশঙ অমদা লুশিল্লক্তুনা কুমজা ১৭৪৪ গী দিসেম্বরগী অনীশুবা চয়োলদা লৈখিদ্রে। মৈদিংঙুচা শ্যামসাই খুরাইলাকপনা গোষাই গুরুগী মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা মতুংদা মৈত্রবাক্তা মহন্তগী লু (লাইবক্কী শরু) পুরক্তুনা লাকখি অদুদগী চহী নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী চমপকলাতা সিজ কুমজা ১৭৪৪ গী দিসেম্বরগী মরিশুবা চয়োলদা মৈদিংঙুগী য়াথং ফংদুনা ‘কৃপা রাম’ কৌবা ব্রাহ্মন নহা অমনা গতি (উপাই) তৌদুনা গৌরদেসতা গঙ্গা ঈরুপ্পা চৎখি। সিজদুবু গতি তৌখিবা ব্রাহ্মন অদুগী য়ূম্নাকসু ‘গোতিময়ুম’ হায়না নিংথৌনা পীখি। হৌজিক ফাওবা য়ূম্নাকসি মণিপুরদা লৈরি।

ঙসিদগী চহী ২ মুক্কী মমাঙদসু ইশামক ‘চরাইরোংবা’ হায়বা লীলা (শুমাং কুম্মৈ) অমসু ইবোয়াইমা শঙলেন্দা য়েংখিবদসু পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) পোকখিবগী ৱারী ওইনা শান্নখি। মদুদসু চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইবা মতমদা পামহৈবা পোকখিবগী ৱারী ওইনা শান্নখি। শুমাং কুম্মৈ য়েংবা লাকপা মীৎয়েংলোইশিংদুগী মরক্তসু লাইরিক লাইশু হৈরবা পুৱারী খঙলবা কয়াসু য়াওরমগনি খল্লি। অসিগুম্বা পুৱারীগা শাগোন্ননা শান্নবা লীলা, দ্রামা কয়াসি ঐহাক্তি য়াম্না লুম্না লৌজে অমসুং চুমই লাল্লি হায়বগী ইতিকসু লৈজদে অদুগা কনাদসু শিংনজদে, চুম্নতা ঐনা পারুবদা থেংনজরুবা ৱারী লাইরিক্কী মতুংইন্না অচুম্বা পুৱারীবু খঙনীংদুনা ফোঙদোকচবখক্তনি।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (পামহৈবা/নিংথেম ময়াম্বা) পোকখিবগী শন্নপ্পা খরা থমজরি ঃ- (১) অদুঙৈ মৈদিংঙু পাইখোম্বনা নিংথৌ ওইরিঙৈ (কুমজা ১৬৬৬-১৬৯৭) তুবী চরাইরোংববু মশাগী চহী ১৬ শুরকপদগী হৌনা ৱাঙ্গোল নিংথৌ ওইহন্দুনা লৈঙাক থৌদা য়াওহল্লন্মী। পাইখোম্বা মচা পোক্তে, মনাওনুপা তোনসেনঙম্বনা পোকপা চরাইরোংবসি য়োকপনি।

ৱাঙ্গোল নিংথৌ চরাইরোংবগী অহানবা তালোই নুংচানবী হৈরাম চনুনা তাইবঙপাল থাদোকখিবগী মীকপ মীরাওখোলগী তাঞ্জা অমদা নুংথিল চাইবীনা চরাইরোংবগী ময়ূমদা য়েংবা চৎলম্মী হায়। মতমদুদা চাইবীনা ৱাঙ্গোল নিংথৌ চরাইরোংবগী নুংঙাইখিদ্রবা শকফমবু উখি অদুগা চরাইরোংবনসু হন্না য়েংথোক্লককপদা নুংথিল চাইবীগী শক্তমদুবুসু উখিবনি। ৱাঙ্গোন নিংথৌসু অৱাবগী মতমদুখক খরা লাপথোকখিদুনা মহাক্না উখিবা চাইবীগী শক্তমবু অসুম অসুম নকশিল্লক্তুনা মমৈথংদা অমগা অমগা নুংশি পন্নুংদা লৈখি। নুংথিল চাইবী চহী ১৪ খক্কী মতমনি। মতমদুদা নুংথিল চাইবীদি মতিক মপা চানদে হায়দুনা চরাইরোংবদগী নাথৈনবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং ৱাঙ্গোল নিংথৌ চরাইরোংবনা তকশিল্লকপনা হেঞ্জিল্লক্তুনা নুংশি মরু হুনখি অমসুং মখোয় অনী অহল-লমনগী অথিংবা কয়া নমথেক্তুনা লৌন লৈনখি।

অসুম্না কুমজা ১৬৯০ গী পোইনুগী ২২ নি পানবা থাংজ নুমিৎতা মচানুপা অহল নিংথেম ময়াম্বা (গরিবনিৱাজ) ফংজখি। কুমজা ১৬৯১-৯২ দা মৈদিংঙুচা চরাইরোংবসু য়াইস্কুল লাকপগী ফম থিনে দাকখিবগা লোয়ননা নুংথিল চাইবীসু চরাইরোংবগী তাল্লোইনি হায়না কোনুংগী অঙম অথৌশিং অমদি মীয়াম্না য়াবিবসু কুমসিদনি। মথংদা কুমজা ১৬৯২ দা ৱাংঙমলোন চকপমখাওঙন্বী পোকখি। মথংদা কুমজা ১৬৯৫ দা নিংথেম লোইয়াম্বা পোকখি। অসুম্না নুংথিল চাইবী অঙাং অহুমগী মমা ওইখিরম্মী।

নোংদম লাইবক থিবদগী নুংথিল চাইবী কুমজা ১৬৯৬ গী ইঙাগী ২৭ নি পানবা নুমিত্তা লৈখিদ্রে। মতমদু চরাইরোংবসু নিংথৌ ওইদ্রিবনিনা নুংথিল চাইবী লৈমরেন্বী ওইখিদে হায়বদা করিসু অকায়বা লৈতে হায়না খল্লি। লোয়ননা গরিবনিৱাজ (নিংথেম ময়াম্বা) সু চহী ৬ খক্তমক ঙাইরিবা মতমনি।

অনীশুবা ৱারী - ‘শগোলবন্দ খোংনাং হোগাইবী’ (লৈখিদ্রবা অশাংবম মীনকেতন) হায়বা ৱারেংসিদা য়াওরিবদি নুংথিল চাইবী ইবেম্মসি হয়েং তুংদা চরাইরোংবনা নিংথৌ ফম্বাল কাবা মতমদা লৈমরেন্বী হাপ্পদা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্কনি খনবদগী পাইখোম্বনা থাঙ্গাল চীংদা থৈখিবনি হায়বরোমদা য়ূম্ফম ওইরগা ইখিবা ওইনা তৌবরা খল্লি। মরমদি নুংথিল চাইবীসি মীনাই নুপী অমগী মচানুপী ওইবননি হায়বা ৱারেংসিনা তাকই।

ময়াং ইম্ফাল উচিৱা লমদম (খুমনগী লম) দগী হৌরকপনি হায়বসিদি ইমান মান্নে। মতাং অসিদা ঐহাক্না থমজরিবা ৱাফমদি ‘মতমদুদা অরাপ্পা চীংদুদা নুংথিল চাইবীনা শিখিবগী অমসুং পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) পোকখিবগী কুমজা, তারিখনচিংবা কুপনা খঙলমগদবা মান্দে। ঐহাক্কী মতনি। হৌজিক হৌজিক ফাওবা অথাপ্পা চীংগী লমদা লৈরিবা অহল কয়ামরুম পোকপগী কুমজা, তারিখ খংদবা য়াওরমগদবা মাল্লি।

অমরোমদা, নুংথিল চাইবীদি মশাগী চহী ২১ শুরকপা তুবী চরাইরোংবনা নিংথৌ ফম্বাল কাদ্রিঙৈদা লৈখিদ্রবনিনা লৈমরেন্বী (মহারানি) ওইবগী তাঞ্জা ফংখিদ্রবনি। অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱারীসিদদি চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈদা নিংথেম ময়াম্বা (পামহৈবা/গরিবনিৱাজৱ পোকখ্রে হায়বসিদি লোইনা মান্নে। চৈথারোল কুম্বাবদসু ফজনা মরিক চুম্না ইরি। তৌবতবু গরিবনিৱাজ পোকপা অমসুং নুংথিল চাইবী শিখিবসি কংলাগী ঙমখৈ পন্নুংদা থোকখিবগী কুমজা, তারিখ চৈথারোল কুম্বাবদা ময়েক শেংনা ইরি লোয়ননা মখোয় অনীমক অথিংবা কয়া নমথেক্তুনা লৌনা লৈনখিবগী থৌদোক ৱাথোক চপ চানা থেংনৈ। নুংথিল চাইবী থাঙ্গাল চীংদা থৈখিদে হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদমগা লোয়ননা নিংথেম ময়াম্বসু থাঙ্গালদা চীংদা পোকখিদে কংলা পন্নুংদা পোকখি হায়বনচিংবা মথক্তা পঞ্জখ্রে।

অহুমশুবা ৱারীগী মতাংদি অইবা ঐহাক্না মতম কুইনগী মমাঙদগী তাদুনতা লাকপা ‘খোংজোম পর্ব্ব’ হায়না খঙনবা নিংথৌরোলশিংগী ওইবা শৈশক্তগী লৌখৎচবনি। মতাংদি নুংথিল চাইবীনা তোঙানবা শঙলেন্দা লৈরিঙৈদা মরু হুনখিবা অঙাংদু মুকাক্লে মরুনি (শেংদবা ঈ হায়বনি) হায়দুনা মতমদুগী মাইচৌ অমনা মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মফমদা লাইফাও ওইনা হায়খি অসিনি। অসিগুম্বা মাঙজৌননা খঙহল্লিবা ৱাফমদি ‘নুংথিল চাইবী’ গী মবুকথোক্কী ওইগদৌরিবা অঙাং অদুনা নুপা ওইরবদি মপাবু হাৎকনি লোয়ননা লৈবাক ৱাথোক ওইগনি হায়বনচিংবা তমশিনবা অসিনি।

অসিগুম্বা তমশিনবা কয়াসি লৈবদগী মৈদিংঙু চরাইরোংবনা নুংথিল চাইবীগী কুমশিং থাশিং শুবা ঙাইদুনা লৈখি অসিনি। অদুদগী চাইবী কুমশিং থাশিং শুরক্তুনা গরিবনিৱাজসি হেক পোকপগা নিংথৌ (চরাইরোংবা) খঙহন্দনা থাঙ্গালদা থৈখি অদুগা অশোমদনা থাওদু নুং ওইনা পোকই হায়না পাউদমখি অসিনি। য়াম্না শমপৎনা ইজবনি। খোংজোম পর্ব্ব, লীলা, দ্রামানচিংবদা শানরিবা ৱারীশিংসু ইমান মান্নে। চৈথারোল কুম্বাবদা ইরিবা পুৱারী (ইতিহাস) কী লাইরিকসিদা য়াওরিবশিংগী মতুংইন্নদি গরিবনিৱাজ (নিংথেম ময়াম্বা/পামহৈবা) কুমজা, তারিখ য়েংনরুবদি শুকচা চান্নদে হায়বসিসু মথক্তা পঞ্জখ্রে। অসিগুম্বা ওইথোকপা য়ারোইদবা খুশেম হৈবশিংনা শেমজিন শাজিনবা ৱারী কয়াসিনা ঐখোয়গী পুৱারীদা লংজবা ওইনা থোক্ল বগী মচাক ওইহল্লক্লি হায়বসি অইবা ঐহাক্কী থাজজবনি।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে গরিবনিৱাজনা পোকখিবসি তুবী চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈদা হায়বদি চহী ৬ রোমগী মমাঙদা নুংথিল চাইবিগী গর্ভদগী পোকখ্রে হায়বসিদি য়েৎননিংঙাই ওইদ্রে হায়না খল্লি। অদুগীসু মথক্তা চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইবা মতমদা থাঙ্গালদা চৎলুরগা নুংথিল চাইবী পুরকখি হায়বসিসু থাজবা য়াবা ঈপাউ রা হায়বসিসু য়েৎননিংঙাই য়াম্না চাউনা লৈ। অসিগুম্বা চয়েৎনবা পুৱারীগী মতুং ইন্না শান্নখিবা অমসুং শান্নরিবা লীলা, দ্রামানচিংবা কয়াসিনা মরুওইনা হৌজিক্কী অমসুং তুংগী নহারোলশিংনা চুমই লাল্লি হায়বা খঙদনা লাইনিং লাইশোলরোমদা পুশিল্লক্তুনা অমগা অমগা পংয়েৎ য়েৎনদুনা অমদি য়েৎনবদগী হেনে দাক্তুনা মতম লৈবা খিবিক্তা শিংনদুনতা লৈহনবগী মচাক ওইরকপসু য়াই হায়বনা খল্লি। ওইরক্তবসু ওইসনু হায়না তাইবঙ মপূদা অইবনা থৌনিজরি।

অইবা ইশামক পুৱারীবু কুপ্না খঙদুনা ইজবসু নত্তে, চুমনতা খরা খঙনীংদুনা থিজিল্লুবগী থেংনজবা খরা য়াম্না শমপৎনা ফোঙদোকচবনি। অশোয়বা কয়াসু য়াওরমগনি খল্লি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (পামহৈবা) না মৈত্রবাক্তা পাল্লম্বসি ঙসিদগী চহী ৩০০ রোমতমক ওইরম্বা য়াই খল্লি য়াম্না কুইবসু ওইদ্রি। পুয়া মৈ থাবদা অয়াম্বা লোইনা চাকখ্রে হায়না লৌরবসু কুমজা ৩৩ দগী কুমজা ১৭০৯ এ দি ফাওবসি কুমজা, তারিখ মথং মনাও কাইদনা মফংলি লোয়ননা মখা তানা কুমজা ১৮৯১ ফাওবা অদুম চথুরি।

মতমদুদা গরিবনিৱাজনা রামান্দি লাইনীং লৌখি হায়দুনা মাবু য়ানীংদবা মাইচৌ য়াওনা মীওই কয়াগী মনুংদা খুশেম হৈবা খরনা হায়জিনবদা পক্কদবা ইশিনবদা থাজগদবা অশেম্বা ৱারী কয়া কয়া তোৎশিন তোৎশিন্নদুনা থল্লম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মৈদিংঙু পামহৈবা/গরিবনিৱাজ থৌদোক ৱাথোক খরদা য়ানীংদবা লৈদুনসু মাগুম্বা মতিক মথৌনা লৈবা নিংথৌদি মমাঙদা অমসুং মতুংদা পানখিবা নিংথৌশিংগী মরক্তা অতাঙবনি। অইবগী ৱাখল্লোনদি অহানবগী ৱারীসিনা অচুম্বা ওইগদ্রা খল্লি। অইবা ইশামক কনাবুসু শিংনরগা ইজবসু নত্তে, পংইদা ইশিনবসু নত্তে। পুৱারী খরগী মতেং লৌরগা শমপৎ শমপৎ ইজবতনি। মরী মখোং লৌজখিবা পুৱারীগী লাইরিক্কী মমিং অমদি অইবশিংগী মমিংনচিংবা মতাং চাবদা হাপচরক্কে।